ইন্দিয়াগী লায়রবা এথলেটশিংনা এসিয়াগী চেম্পিয়ন ওইবা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

ভুবনেশ্বরদা জুলাই ৫ দগী ৯ ফাওবা পাঙথোকখিবা ২২ শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী মরমদা মমাঙগী হাপ্তাদা য়াওখিবা ৰারেংগী মখা তারকপা ওইনা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মকোক ওইখিবা ইন্দিয়াগী এথলেটশিং অদু ওগষ্ট থাগী ৪ দগী লন্দন সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ানবগী ক্বালিফাই ওইখ্রে। চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াহৌদবশিং অদু ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন্না পীরিবা ক্বালিফাইয়িং মার্ক অদু য়ৌরবদি চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াবা য়াগনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা সনাগী মেদল ফংখিবশিং অদুদি নুপাগীদা মহম্মদ অনুস (মিটর ৪০০০), অজোয় কুমার সরোজ (মিটর ১৫০০), গোবিন্দ লক্ষমন (মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০), নিরাজ চোপ্রা (তা লংবা) অমসুং নুপাগী ৪ X ৪০০ মিটর রিলে; নুপীগীদা নিরমালা সেত্তরান (মিটর ৪০০), পি য়ু চিত্রা (মিটর ১৫০০), সুধা সিংহ (মিটর ৩০০০ ষ্টিপল চেজ), মানপ্রিট কৌর (নূং হুনবা), স্বাপানাবরমন (হেপতাথলোন) অমসুং ৪ X ৪০০ মিটর রিলেনি। মখোয়গী মনুংদা মেদল অমা ফংবগী আশা নক্লা লৈবদি চহী ২০ গী মখাদা তা লংবদা মালেমগী রেকোর্দ পায়রিবা নিরাজ চোপ্রানি। দিসক্স লংবদা অহুমশুবা তাখিবা ইন্দিয়াগী ভিকাস গোরা, এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ্তা অনীরক মকোক ওইখ্রে। কমনৱেলথ গেমসদা সনাগী মেদল ফংখিবা অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্তা ৮ শুবা পোজিসন ফংখিবা এথলেটনি। ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মকোক ওইখিবা ইরানগী ইশান হাদাদি লন্দন ওলেম্পিক্তা অনীশুবা পোজিসন ফংখিবা অমদি এসিয়ান গেমস অহুমদা সনাগী মেদল ফংদুনা মায় পাকখিবা নিপানি। টাজিকিষ্টানগী দিলশোদ নাজারোভ কুমজা ২০১৬ তা ব্রাজিলগী সহর রিও-দি-জানৈরোদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক্কী হেম্মর লংবদা সনাগী মেদল ফংখিবা এথলেটনি, মহাক্না ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা মিটর ৭৬.৬৯ লংদুনা সনাগী মেদল লৌখি।

অরব লৈবাকশিংগী মরক্তা লৈবাক খরদি অফ্রিকাগী ইথোপীয়া, নাইজেরিয়া, উগান্দা অমসুং টাঞ্জানিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদগী লমজেল য়াংবা এথলেটশিং য়াম্লবা শেনফম পীদুনা ময়ূম হোংহল্লকই অমদি মখোয়গী সিটিজন ওইহল্লি। মখোয়গী লৈবাক্কী মহুৎ শিলহন্দুনা ওলেম্পিক অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিংদা শরুক য়াহন্দুনা লৈবাকশিং অসিগী মমীংদা মেদল ফংনবা হোৎনহল্লি। খুদম ওইনা কাটারনা ফেমি ওগুনোদ কৌবা নাইজেরিয়া মচা অমা লৈবাক অদুগী সিটিজন ওইহন্দুনা এসিয়ান গেমস, ওলেম্পিক গেমস অমসুং এসিয়ান এথলেটিক্সতা শরুক য়াহল্লি। মহাক্না কুমজা ২০১৫ দা চাইনাগী ৱুহান সহরদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ্তা মিটর ১০০ গী লমজেলদা সেকেন্দ ৯.৯১ দা চেন্দুনা চেম্পিয়নশিপ অদুগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। চহী অদুদদি মহাক লমশাং লমজেল অদুদা অনীশুবা তাখি।

অতোপ্পা নাইজেরিয়াদগী হোংলকপা কাটারগী তোশিন জোসেফ লমজেল অদুদা মরিশুবা তাখি। চহী অদুদা বাহেরান লৈবাক্কী টিম চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াখিদে। টিম অসিগী মেম্বর ১৪ না ভুবনেশ্বরগীদমক শেম শাদুনা লৈরম্বদগী অরোইবা মীকুপ্তা খোঙচৎ অদু তোকখি। লৈবাক অসিনা অফ্রিকাগী লমজেল্লোয় কয়া অমুক মখোয়গী সিটিজন ওইহন্দুনা এথলেটিক্স চাওখৎনবা হোৎনরি। মরম অদুনা কুমজা ২০১৩ দা পুনেদা পাঙথোকখিবা ২০ শুবা এসিয়ান এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা লৈবাক অসিনা সনাগী মেদল মঙা ফংদুনা চাইনাগী হেক মথংদা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈখি। চহী অদুদদি লৈবাক অসিনা জমায়কাদগী লমজেল মতেক চেনবা কেমারলী ব্রোন অমসুং এন্দ্রু ফিসরবু চহী অনীগী মমাঙদগী লৈবাক অসিগী সিটিজন ওইহনখ্রবনি। কাটার মচা দাহলান অল-হামাদনা এসিয়ান এথলেটিক্স এসোসিএসন (এএএ) গী প্রসিদেন্ট ওইবা মরম্না মসিগা য়ূমলোন্নবদা লৈবা বাহেরানগা পোলিটিক্সকী ওইনা য়েক্নবা ওইরিবা অসিনা বাহেরানা ভুবনেশ্বরদা লাক্তবনি হায়না লৌনৈ। লৈবাক অনী অসি য়ূমথংনরবসু মখোয় অনীগী মরী ককথৎনখ্রে।

লন্দন সহরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক শেম শাদুনা লৈবা মরম্না জপান অমসুং চাইনাগী অফবা এথলেট অয়াম্বা ভুবনেশ্বরদা শরুক য়াবা লাকখিদে মরম অসিনসু ইন্দিয়া মেদল য়াম্না ফংবা ঙমখিবগী মচাক অমনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী শেল থুমগী খেন্না খেন্নবা থাক্তা লৈবা ইমুংশিংদগী এথলেটশিংনা শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখি। এথলেটশিং অসিগী মনুংদা সনাগী মেদল ফংখিবা য়াম্না লায়রবা ইমুংদগী লাকপা কয়া অমুক য়াওরি, মখোয় অসি অয়াম্বনা খুঙ্গংদগীনি অমদি ত্রেনিং নিংথিনা তৌরকপা এথলেটিক্সতা স্পিসিয়েলাইজ তৌরকপশিংনা মখোয়বু তন্বীরকপা নত্তে। তৌইগুম্বসুং মখোয়বু তাকপী তন্বীরিবশিং অদু স্কুলগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজানি। নুপীগী মিটর ১৫০০০ গী লমজেলদা সনাগী মেদল ফংখিবী কেরেলাগী পি য়ু চিত্রা কেরলাগী পালাকাদ দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মুন্দুর কৌবা খুঙ্গং অমদগী মপা-মমা অনীমক নুংতিগী থবক শুবা চৎলগা শেল তানবা ইমুংদা চাওরকপনি। মহাকপু খুঙ্গং অদুগী সুন্দর হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা এন এস সজিননা তন্বীবনি। এন এস সজিন মহাক্কী লমজেল য়েংনবা ভুবনেশ্বরদা লাকখি। তৌইগুম্বসুং সেক্যুরিটিনা মরম ওইদুনা মখোয় অনী উনবা ফংদে, শান্নবা য়েংনবা টিকেট পায়রবসু এথলেট অমসুং ওফিসিয়েলশিংগী ফমফমদা অতোপ্পা চঙবা য়াদে, লমজেল লোইরবা মতুংদা 'দোপ টেষ্ট' তৌফমদা চৎপদা মহাক্কী ওজাগা উনবা ফংখি। মহাক্না লমজেল অদু মিটর ৪ সেকেন্দ ১৭.১২ দা চেনখি। মদুদা পাউচে অমগী মকোক্তা অসুম্না ফোঙখি মদুদি 'মিনিট ৪ গী মনুংদা লন্দন য়ৌই'। মরমদি লমজেল অসিদা মকোক ওইরবা মরম্না মহাক লন্দন্দা ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা শোয়দনা চৎলগনি হায়বনি।

মহাক্কী কোচ এন এস সজিননা হায় মদুদি মহাক্কুম্বা অচম্বা ফিজিকেল ইনষ্ট্রক্টর অমনা শান্নফম মতিক চানা লৈতবা খুঙ্গং অমদগী মালেমগী ফম্পাক্তা এথলেট অমা পুথোকপা অসি য়াম্না নুংঙাইজৈ। পি য়ু চিত্রাগুম্বা স্কুলগী ফিজিকেল এদ্যুকেসন টিচরনা তন্বীরকপী রিক্সো পুল্লর ওইরম্বা মপানা হার্ট এটেক তৌরুবদগী চৎপা ঙমদনা ফমুংদগী হেনবা ঙমদ্রবা অমদি মমানা চা বাগান্দা চা মনা হেকপা য়াওরম্বদগী হৌজিক্না মীগী য়ূমদা কোয়চৎ চৎতুনা থবক শুদুনা নোংমগী চারা তাল্লিবী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জলপায়গুরিদগী এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ অদুদা থৌরম তরেৎতা শরুক য়াগদবা থৌরম হেপ্তাথলোনগী সনাগী মেদল ফংখিবী স্বাপনা বারমান অঙাং ওইরিঙৈদা মহাকপু মমানা সাইকলদা হাপ্তুনা পুরগা ক্লবকী গ্রাউন্দা নুপামচা নুপীমচা ময়াম প্রেক্টিশ তৌবদা য়াওহল্লি। মহাক্কী স্কুলগী ফিজিকেল এদ্যুকেসনগী ওজা বিরজিৎ মজুমদারনা মহাকপু কুমজা ২০০৬ তগী তন্বীরকপনি। হৌজিক্তি মহাক কোলকটাগী স্পোর্টস অথোরিটি ওফ ইন্দিয়াদা লৈরি। অমরোমদা চেম্পিয়ন অদুদা মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদা মায় পাকখিবী, অসিগুম্বা হীরম অনীমক্তা মায় পাকপা অসি অমুক ফাওবা ইন্দিয়া মচানা ঙমখিদ্রিবা কেরলাগী গোবিন্দ লক্ষমন মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্কী মপা লৈখিদে। মহাক্না স্কুলগী লমজেল চেনবদা এস লোঙগানাথন কৌবা কোচ অমনা উখি। মতম অদুদা মহাক চহী ১৫ শুরে। লোঙগানাথননা মহাকপু মহাক্কী ময়ূম অথাপ্পদা লৈবা সোককুরানিদা পুরগা য়োকখি। চহী ১০ মচাগুম্না য়োক্তুনা লমজেল তন্বীখি। মহাক্কী মচানুপী এল সুরিয়াসু ইন্দিয়াগী চেম্পিয়ননি। এসিয়ান চেম্পিয়নশিপ অদুদা এল সুরিয়া মিটর ৫০০০ অমসুং মিটর ১০,০০০ গী লমজেলদা মরিশুবা তাখি।

পি য়ু চিত্রা

/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

(অঙৌবা পকপা)

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হস্থরক্কনি। ফম্বী চাং হস্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোক্থরক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্চবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্চবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্চবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

DR.(VAID) R N GUPTA (396),
Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream
Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,

HL-B/3974/28/6-28/7

DUTTA CLINIC

মালেমগী মমিং লৈরবা নুংশংগী হিদাক ARSHNASAK PILES CAPSULE DUTTA CLINIC তগী ফংবীগনি



অঙৌবা পকপা :

অঙৌবা পকপশিংনা থোইনা ৱানিংঙাই লৈত্রে। মতম চানা লায়েংলবদি অতৈ অনাবাগুম ফহনবা ঙম্মী। অঙৌবা পকপশিংদুখক অফবা মখলগী হিদাকশিং শিজিন্নদুনা অনাবা মীওইশিং কয়া ফহনবা ঙমখ্রে। অমুক্তং লাকপীদুনা অদোমগী অনাবসু পুংফা ফহনবীয়ু।

তাং-তাং চিকপা :

তাং তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল নাবা, থবাক নাবা, মীহুন কাহেন্না চোংবা, থবাক খেবা অসিনচিংবশিং অসি ঐখোয়গী হিদাক্লা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

নুপাগী প্রোব্লেম :

ফম্বী পাবা, ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কাছা চৎপা অমদি মপান থোকপা নত্রগা অমাংবদা কাছা লোয়নবা তারবদি ঐখোয়গী হিদাক অসি শিজিন্নবনা ফিনুংদা হাকৎচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোম্থরকপা ফহনবা ঙম্মী। সোনোরিয়া, সাইফিলস ইনফটিসিটি হায়রিবা লায়নাশিং অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী। মাংলুরবা পুন্সিগী মহাও হনগৎহল্লকপা ঙম্বা অমদি শোম্থরুরবা ইন্দ্রিগী শক্তিবু অমুক হনগৎহনবা ঙম্লবা পুন্সি শাংদোকহল্লগা মেন পৱার অদোমগীদমক লৈজরে।

নুপীগী প্রোব্লেম :

ফিঙৌ চৎপা থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা, মনম নমথিবা, ফিনুংদা হাকৎচবা অসি পুংফা ফহনবা ঙম্মী অমদি ব্রেষ্ট চোম্থবানচিংবা অসি ক্রিম অমদি হিদাক শিজিন্নদুনা ফজহনবা ঙমহল্লি।

নুংশং অমসুং গ্যাস্ট্রিক্কী :

নুংশং ই তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাই অসিনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেসন তৌদনা হিদাক শিজিন্নরগা পুংফা ফহনবা ঙম্মী।

পুক নুংশিৎ কাবা, চাবা থকপা তুমদবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোং হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগীদমকসু ঐখোয়গী হিদাক্লা অথুবা মতমদা ফহনবা ঙম্মী।

ডাইবেটিস :

ঐখোয়গী হিদাকশিং অসি শিজিন্নরবদি ডাইবেটিসকী চাং নোংমা নোংমগী হস্থহনবা ঙম্মী অমসুং সেক্স পৱার হেঙ্গৎহল্লি। অদুগা মাংলুরবা পাঙ্গল নৌহৌননা ফংবা ঙমহল্লি।

নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম :

না তাবা ৱাৎপা, নাকোং ঙংদুনা লৈবা হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হস্থরকপা অমদি নাতোন ফুনবা নপ মহি তাবা, হাকথি তোয়না খনবা, স্বর হোনবা ৱাবা হায়রিবশিং অসি ঐখোয়গী মেদিসিননা ফহনবা ঙম্লে।

অদুগা শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী অমদি চহীগা চান্নদনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাকৎচবা অসিগীদমকসু অথুবা মতমদা তান্নবীদুনা অদোমগী অৱাবা অদু কোক্কনি।

DUTTA CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/3917/05/7-4/8

CROSSWORD-2484



ACROSS

1 Playing a part (6)
4 Implored (6)
8 Wanderer (5)
9 Red Indian child (7)
10 Without fault (7)
11 Exterior (5)
12 Fan (9)
17 Desert haven (5)
19 Get well again (7)
21 Language of East Africa (7)
22 Brink (5)
23 Soundless (6)
24 Turn upside down (6)

DOWN

1 Sudden (6)
2 Inns (7)
3 Boldness (5)
5 Daring feat (7)
6 Phantom (5)
7 Dismal (6)
9 Fragrant mixture of dried leaves and petals (9)
13 Ardent emotion (7)
14 Daydream (7)
15 Brags (6)
16 The East (6)
18 Play for time (5)
20 Assembly of witches (5)

Solution 2483

C	H	E	W	■	S	T	A	N	D	A	R	D
H	■	A	■	R	■	E	■	Y	■	D	■	A
I	N	S	P	E	C	T	■	L	I	M	I	T
L	■	E	■	V	■	C	■	O	■	I	■	E
D	E	L	V	E	■	H	U	N	G	R	Y	■
R	■	■	■	A	■	Y	■	■	■	E	■	T
E	N	A	B	L	E	■	S	L	E	D	G	E
N	■	B	■	■	■	P	■	Y	■	■	■	R
■	A	S	W	E	L	L	■	R	E	A	L	M
S	■	T	■	R	■	E	■	I	■	N	■	I
T	R	A	D	E	■	D	E	C	A	G	O	N
E	■	I	■	C	■	G	■	S	■	E	■	U
M	I	N	S	T	R	E	L	■	P	L	U	S

SOLUTION ON NEXT ISSUE

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-2283

					1		6	
5				7	2		1	4
			3					9
					8		9	1
	8	5				7	2	
3	7		1					
9					6			
4	2		5	9				7
	1		2					

Solution-2282

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers from 1 through 9

1	6	5	7	3	4	8	2	9
2	3	7	8	9	5	6	4	1
4	9	8	6	2	1	7	3	5
9	2	6	3	4	7	5	1	8
7	1	3	2	5	8	9	6	4
8	5	4	9	1	6	3	7	2
3	4	9	5	7	2	1	8	6
5	8	1	4	6	3	2	9	7
6	7	2	1	8	9	4	5	3

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ২৬-০৭-২০১৭, য়ুমশকৈশা, থৱানগী ৩নি পানবা, অয়ুক্কী পূং ০৮.৩৬ দগী ৪নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি মৈরম, অয়ুক্কী পূং ০৮.৩৬ দগী সনথোং।

মেষ ঃ ইমুং মনুংদা নুংঙাইজবা পাউ লাকপা, লন লেপ্পা ঙম্বা, কান্নজবা লৈ।
লল্লোল ঃ মপানগী থবক্তা কান্নজগনি, চাওখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নিংজবা থুংগনি।
হকচাং ঃ পুকতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

বৃষ ঃ মথক থোংবা মীওইদগী খঙহৌদনা কান্নজবা পীরকপা, লম কোইবা চৎনিংলকপা পীগনি।
লল্লোল ঃ মীনা শক খঙবীবা, চাওখৎপা লৈগনি।
পাখং-লৈশা ঃ তিন্নবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ কোক মায়দা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, চাচন্দন।

মিথুন ঃ কান্নজবা ফংজবা, ইচা ইচাওগা মুক্নবা, ৱাখল মফাং মফাং খনগনি।
লল্লোল ঃ চাওখৎকনি, য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লৈতাফম খঙলোই।
হকচাং ঃ মিৎ মৈগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।

কর্কট ঃ ইমুং লাংগনি, মখা থাবা মীগা শাওনবা, থবক মফমদা অয়েৎপা লাকপা লৈ।
লল্লোল ঃ ঈশিংগী পোখোক্তা চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি।
হকচাং ঃ উনশা, অপোম অতং।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

সিংহ ঃ লন চঙবা, মথক থোংবা মীগা শাওনবা, অকাওবা পীবা মতাংনি, পুক্লিং ফাথবা ফৈ।
লল্লোল ঃ অরংবা পোৎ চৈদা কান্নজবা, থবক মফম চাওখৎপা লৈ।
পাখং-লৈশা ঃ নিংবা থুংগনি, লৈরাং লৈনম লৈগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙৌবা, শঙ্গোম।

কন্যাঃ ইকাই নুংশি য়ান্নগনি, শেল চৎপা হেনবা, নুংনাংবা পীবা মতাংনি।
লল্লোল ঃ য়েক্নবা য়ামগনি।
পাখং-লৈশা ঃ মুক্নবা লাক্কনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

তুলাঃ ইচিল ইনাওদগী মুক্নবা পীরকপা, মথক থোংবা নুপীদগী কান্নজবা লাক্কনি।
লল্লোল ঃ হিদাক্কী লল্লোন ইতিক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মৈরিকপীদগী মৈজাউবী ওইরকপা।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইতবা পীগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।

বৃশ্চিক ঃ কান্নবা ৱৎপা, শাওনিংবনা অকায়বা ওইরকপা, লমদা চৎপা লৈগনি।
লল্লোল ঃ মাঙবনা হেল্লি, চীঞ্জাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ অশাওবনা মাঙওইনৈ।
হকচাং ঃ শরু-শিংলিদা নুংঙাইতবা।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অমুবা, লৈ অমুবা।

ধনু ঃ মীনা পাউথোকপা, অরাপ্পা লমদা চৎপা, খোইশাওনবা পীবা ওইরি।
লল্লোল ঃ থবক্তা অহোংবা লাকপা, হিদাক্কী থবক চানৈ।
পাখং-লৈশা ঃ পুক্লিং লাংবা, ইকাইবা নংগনি।
হকচাং ঃ মচেক ময়া পানবগী শাহুম লৈ।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থোইদিং অঙৌবা, লৈ হিগোক।

মকর ঃ য়েক্নবনা য়ামগনি, তৌজরুবা থবক্তা মায়োন চুম্বা লাক্কনি, চাওখৎপা ওইগনি।
লল্লোল ঃ অনৌবা থবক লাক্কনি, সনা লূপাগী থবক চাওখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ মিৎতা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

কুম্ভঃ মচাক মরল লাক্কনি, তৌজরুবা থবক্তা কান্নজগনি, মীনা শন-মান তৌবীবা নুংশিবীবা ওইগনি।
লল্লোল ঃ চাওখৎপা, হিদাক্কী থবক কান্নগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্নবা হেনগনি, থাজনগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙৌবা।

মিন ঃ মখা থাবা মীওইদগী ইকাইবা নংবা, লমদা চৎপা লৈ, মুক্নবগী লম্বী লাক্কনি, পুক্লিং ফাথবীয়ু।
লল্লোল ঃ অরু-অনান, সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংতক্লগনি।
হকচাং ঃ ঙক খৌরি নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, চিনি অঙাংবা।

EMPLOYMENT NEWS

SSC RECRUITMENT – STAFF SELECTION COMMISSION – 1102 SCIENTIFIC ASSISTANT VACANCY – LAST DATE 04 AUGUST 2017

SSC Recruitment 2017

Staff Selection Commission (SSC) invites applications for the post of 1102 Scientific Assistant in India Meteorological Department. Apply Online before 04 August 2017. Qualification/ eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt No. : F.No.3-1/2017-P&P-I
SSC Job Details :
Post Name : Scientific Assistant
No of Vacancy : 1102 Posts
Pay Scale : Rs. 9300-34800/-
Grade Pay : Rs. 4200/-

Eligibility Criteria for SSC Recruitment :
Educational Qualification : Bachelor's Degree in Science (with Physics as one of the subject)/ Computer Science/Information Technology/ Computer Applications OR Diploma in Electronics and Telecommunication Engineering from a recognized Institution/University or equivalent.
NOTE : The qualifying Degree or diploma referred above should be in First Class (60% marks) or 6.75 CGPA on a 10 point scale.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 30 years as on 04.08.2017
Age of Relaxation : SC & ST Category 5 years, OBC-NCL Category 3 years & PH Category 10 years
Job Location : All India
SSC Selection Process : Selection based on Computer Based Written Examination & Skill test.
SSC Application Fee : Candidates have to pay Rs. 100/- through net-banking/credit cards or debit cards or cash through SBI bank challan. Women candidates and candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and Ex-Servicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.
How to Apply SSC Vacancy : Interested candidates may apply Online through SSC website http://ssconline.nic.in OR http://ssc.nic.in from 18.07.2017 to 04.08.2017 till 5.00 PM thereafter website link will be disabled.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 18.07.2017
Last Date For Submission of Online Application : 04.08.2017
Last Date for Submission of Application Fee by Challan : 08.08.2017
Important Links :
Detail Advertisement Link : *http://ssc.nic.in SSC_WEBSITE_LATEST/notice/notice_pdf/NoticeIMDExamination_2017_18.07.2017.pdf*
Apply Online : *http://164.100.129.99/scientific2017/*
Android App Link : Sarkari Naukri App

LAI GI MACHA MAYAM
STORY BABU IRENGBA
ILLUSTRATION DEVKR LAISHRAM




হেল্লোই অমনা হায়রকই।
অদুদি নুপা, নমায় লৈথোকও অদুগা নমিৎ অদো চেৎনা উইশিল্লো ঐখোয় লোৎলুরগে।


অপানবা মমায় লৈথোক্তুনা মমিৎ উইশিল্লি। হেল্লোইশিংদু পুখ্রিদা ফন ফন চোংথখি।